**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-04-2025)**

**বিজেপি(এল)ঃ** নেসনেল হেরাল্ড কেস অসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারনা পায়খৎপদৌনা কংগ্রেসনা উহল্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট-নোংথোম্বম নিমবসনা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফলগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা থন্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট-নোংথোম্বম নিমবসনা হায়-নেসনেল হেরাল্ড কেসকা মরী লৈননা ইং ২০১৮ দা সংসদ সদস্য-সুভ্রমনিয়ম স্বামীনা পি.আই.এল. অমা থাংগৎলকপদগী মদুগী কেস চথুদুনা লাক্লি।

মহাকা হায়-নেসনেল হেরাল্ডগা মরী লৈনবা কেসশিং নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি.জে.পি. সরকার লাক্ত্রিঙৈদগী পায়খৎলম্মী। মসিদা নত্তনা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট অসি ইং ১৯৫৬ তা লিংখৎখিবনি। কেস অসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারনা পায়খৎপদৌনা কংগ্রেসনা উহল্লিবা অসি লাইবক থিবনি। ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট অসিসু বি.জে.পিগী সরকার লাক্ত্রিঙৈদগী লৈরম্লবনি। মরম অদুনা কংগ্রেসনা কেস অসিগা মরী লৈননা বি.জে.পিবু মরাল শিরিবা অসি মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবনি।

শ্রী নিমবসনা হায়-থা অসিগী ২৫ দা কেস অসিগা মরী লৈনবা হিয়ারিং চথুগদৌরিবা অসিদা কংগ্রেসনা মীয়ামদা লান্না থাজহন্নবা হোৎনরি।

**এমএলএ(এল)ঃ** বি.জে.পিগী এম.এল.এ. তরেৎনা ঙরাং রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং য়াওবা ৱাফমশিং পুখৎখ্রে।

ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ নিত্যাপাৎ চুথেক্তা লৈবা থন্বাল শঙলেনদা

পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী মচিন চৎপা অমসুং এম.এল.এ. কে.ঐচ. ইবোমচানা হায়-ঙরাং রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা য়াওখিবা ৱারোলশিং অদুদি- লৌউ-শিংউ উবা য়াদবা লৌমীশিং অমদি লাঞ্জেন্নরিবশিংগী য়ুম শানবা অনিশুবা তাঙ্কক্কী শেন্থং থাদোকপীবা, লন্নাই কলেজ নৎত্রগা স্কুলশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং লৈশিল্লিবা অসিগী মতিক চাবা ক্ষেতিপুরোন পীবা নৎত্রগা স্কুল-কলেজশিং অসিগী মহৈরোইশিং মফম চাবা অমদা লাইরিক তমহনবা অমসুং আই.দি.পিশিংগী য়ুম শেমগৎলিবা মফমশিংদা অহেনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎপা হায়বা ৱাফমশিং অসিনি।

**গুদ ফ্রাইডে (এল)ঃ** প্রভু যিশু খৃষ্টপু ক্রোসতা পাং তিংদুনা হাৎখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা মালেম শিনবা থুংবদা ঙসি গুদ ফ্রাইডেগী থৌরম পাঙথোকরি। মণিপুরদসু থৌরম অসি খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা নুমিৎ অসি পাঙথোক্লি। চর্চশিংদা অখন্নবা লাইশোল সভা পাঙথোকরি।

গুদ ফ্রাইডে অসি কালভেরিদা যিশু খৃষ্টপু পাং তিংদুনা হাৎখিবা অদু নিংশিংদুনা অৱাবা ফোংদোকপা অমসুং ভক্তিগা লোয়ননা পাঙথোকপা থৌরমনি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

নোংজ্ নুংশাগী লোইশঙগী মতুং ইন্না পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংনা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুগনি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী গুজরাট, দিয়ু দামন অমসুং দদ্রা এন্দ নগর হবেলিদা লাক্কদেরিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক গনি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজনিতি, ধর্ম্ম, ফুরুপ অমসুং লন্নাইগী খেৎনবা ৱাখল্লোনশিং কাউথোকরগা লৈবাক অসি কন্ননবা মীয়ামা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী মতম ওইরে।

ৱাফম অসি রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্তা হিদমপাৎতা লৈবা ইমা নুঙথাবী লাইফমদা কম্যুনিতি হোল অমা শাবগী য়েংশিন খোঙচৎতা ফোংদোকখিবনি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এ. কে.ঐচ. ইবোমচা অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেলর-প্রোফেসার-পাউনম গুনিন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

তুংদা, এম.পিনা ইবুধৌ খেলেম্বগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইরাৎ থৌনি তৌখি।

**মীলাল (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গ্যুএজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্তেসন, মিলাল কংলৈপাকা পুথিবা ৱেলফেয়র এন্দ কলচরেল সোসাইটি-ত্রিপুরাগা পুন্না খূৎশমনা নুমিৎ ১০ নি চৎথগদবা মৈতৈ ময়েক তন্বীবগী থৌরম অমা ঙরাং ত্রিপুরাগী পুথিবা দেবতা মান্দপ্তা হৌখ্রে।

**আইএমসি (এল)ঃ** ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী সেনিয়র সিতিজন রিক্রিয়েসন পোইন্ট অমা ঙসি অয়ুক হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র এল. লোকেশ্বর সিংহ, মহুদকী দাইরেক্তর এন.জি. উতম সিংহ অমসুং কোর্পোরেসন অসিগী ম্যুনিসিপাল কম্মিসনার কে. চন্দ্রকুমার সিংহ য়াওখি। হাংদোকপগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংগী কোর্পোরেটরশিংসু শরুক য়াখি।

**ত্রাফিক (এল)ঃ** আইন্না য়াদবা মওংদা গাড়িশিংদা ফ্লেগ পোষ্ট শিজিন্নবা থিংনবা ত্রাফিক পুলিসনা খোঙজং চংশিনবা হৌরে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ত্রাফিক পুলিসনা অসিগুম্বা গাড়িশিং ফাগৎতুনা চলান ককপা হৌরে হায়রি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসুং জিরিবাম ৱিমেন এসোসিএসন ওফ কংলৈপাকা পুন্না শিন্দুনা বাবুপারাদা লৈবা পি.দব্লিয়ু.দিগী গেষ্ট হাউসতা ৯ শুবা জিরি ত্রিতি ওভজর্বেসন অমসুং ১৪ শুবা জিরি স্পোর্টস মিটকী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**সৈনিক (এল)ঃ** সৈনিক স্কুল এন্ত্রান্স এগজামিনেসনগী মতাংদা মহৈরোইশিংবু ভাপ তাহন্নবা অমসুং পুকিং থৌগৎপগী লেকচর প্রোগ্রাম অমা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী এল.হেংজোল অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈরোই ১১৪ দা ওল ইন্দিয়া সৈনিক স্কুল এন্ত্রান্স ইগজামিনেসন থাবগী মতাংদা নিয়মশিং অমসুং স্কোলারসিপ ওইনা লৌবগী খুদোংচাবশিংগী মতাংদসু অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**নাগা (এল)ঃ** থা অসিগী মঙাদা কোনশা খুলগী খুঞ্জাশিংবু ফু-চৈবা তৌরকপগী থৌদোকপু তোঙান তোঙানবা মহৈরোই লুপশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

জেমি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মনিপুর, ওল ইনপুই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন-মনিপুর অমসুং লিয়াংমাই নাগা কতিমাই ৱাংবী মনিপুরনা পুন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়-থৌদোক অসিগী মতুংদা খুলগী নিংথৌ য়াওনা চেয়ারমেন ঙসি ফাওবা হোস্পিতালদা লায়কন্নদুনা লাক্লি।

মহৈরোই লুপশিং অসিনা রাজ্যগী রাজ্যপালদা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অসি লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা ফাগৎতুনা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী কমপাং খুল্লেনগী মফমশিংদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইন কায়না উ পুরস্বা ত্রক ২৩ ফাগৎলে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-ফারবা উশিং অদু লুপা লাখ ১৪ হেনবগী শেনফম ওইগনি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী গমফাজোলদা দুকান অমা মৈ চাকপদগী চাউনা অমাং অতা থোল্লমগদবদগী অসাম রাইফলনা মতম চানা কনবা ঙমহৌরে।

**মৈ (এল)ঃ** থার্তি থ্রি কে.ভি. শঙ্গাইপাৎ-জেনিমস লাইনদা হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা মৈ ফংলোই। মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিতেদকী ত্রান্সমিসন সব-দিভিজন নম্বর ফোরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- পৈথদুনা লৈবা দবল পোল অমা শেমজিন্নবা সটদাউন অসি থম্বনি। সটদাউন মনুংদা থার্তি থ্রি বাস এলেভেন কে.ভি জেনিমস সবষ্টেসনগী মখাদা লৈবা কঞ্জুমরশিং মৈ ফংলোই হায়রি।

**রদার ঃ** লন্মীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা গাড়িশিং য়াংনা থৌবগী চাং ওন্নবা রদার ইক্যুপমেন্ট শিজিন্নবগী অনৌবা চৎন-কাঙলোনশিং কেন্দ্র সরকারনা লাউথোকখ্রে। অনৌবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি লিগেল মেত্রোলোজি (জেনরেল) রুলস-২০১১ গী মখাদা পায়কৎলকপনি।

কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হায়-লন্মীশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অমদি

ত্রাফিক্কী সমস্যা হন্থহন্নবগীদমক চৎন-কাঙলোন অসি চহি অসিগী জলাই অমদগী চৎনবা হৌগনি। নিয়ম অসিগী মখাদা রদার শিজিন্নদুনা গাড়িশিংগী অয়াংবা ওন্ননবা খুৎলায়শিং  লিগেল মেট্রোলোজি ওথোরিতিশিংনা মশক খঙদোক্কদবনি।

মন্ত্রালয়না হায়-রদার ইক্যুপমেন্টশিং অসিনা লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং হন্থহনবা ঙন্নগনি।

**ছাতিসগরঃ** ছাতিসগরগী সুখমা জিলাদা, নুপী ৯ য়াওনা মাওইষ্ট ২২ ঙসি সরকারদা চংজখ্রে।

চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অসি ফাবা ঙম্বা মীওইশিংদা লুপা লাখ ৪০ লিশিং ৫০ পীগনি হায়না সরকারনা হান্ননা লাউথোকখ্রবনি। মখোয়শিং অদু পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমসুং সি.আর.পি.এফতা চংজরকখিবনি।

রাজ্য সরকারগী রিহেবিলিটেসন পোলিসিগী মখাদা চংজরক্লবা মাওইষ্টশিংদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি। মসিগী মথক্তা অতৈ খুদোংচাবা কয়া অমসু পীরগনি হায়রি।

**সিবিআই ঃ** ছাতিসগর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসননা ২০২০ দগী ২০২২ ফাওবদা মখোয়না রাজ্য অদুগী দিপ্যুতি কল্লেক্তর, দি.এস.পি. অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং লৌননবা পাঙথোকখিবা পরিক্ষাশিংদা অরানবা তৌই হায়বগী মতাংদা চথুরকপা কেস অমদা ঙসি সি.বি.আইনা রাজ্য অদুগী মহাসমুন অমসুং রাইপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখ্রে।

সি.বি.আইনা হায়-ঙসি থিবা হুম্বগী থবক অদুদা মরুওইবা চে-চাং কয়া ফংখি। কেস অসি মতম অদুদা কম্মিসননা সরকারগী খঙন-চানবশিং থবক লৌবদা অরানবা তৌই হায়বগী মতাংদা সি.বি.আইনা থিজিনদুনা লাকখিবনি।

**জি ঃ** জোইন্ট এন্ত্রান্স ইগজামিনেসন (জি) মেন ২০২৫ গী পরিক্ষাগী ফল হয়েং লাউথোক্লগনি।

নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিগী চেরোল অমনা হায়-পরিক্ষা অসিগী সেসন টুগী ফাইনেল অন্সর কিশিং জিগী মেন ৱেব সাইটতা হয়েং পুং অনিদগী দাউন দলোদ তৌবা য়াগনি।

**পোলো (এল) ঃ** ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথুরকপা ৩১ শুবা গভনরস কপ মেন্স ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ অমসুং ২০ শুবা গভনরস কপ ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

নুপাগী কাংলুপ্তা এক্স-পোলো ক্লব ৱাংখৈনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৫-২ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নুপীগীদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব লমফেলনা অসাম রাইফলস পোলো টিমবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চহি ১৩ মখাগী নুপামচাশিংগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-য়ঙ স্মার্ট য়ুনিতি ক্লবনা মনিপুর য়ুনাইটেদ ফুটবোল একাডমীবু পাঞ্জল ৫-২ দা, ৱাই.ভি.এনা পোলোই ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১ দা অমসুং টি.ৱাই.দি.এনা স্তার স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ১৯ মখাগী নুপাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা-ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা এল.সি.সি. লমশাংবু রন-১৯৯ দা, রেজ-নাগামপালনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন-২১ দা, ব্লু হোগ-খুরাই লমলোংনা এস.সি.সি.সি. খুরাই লমলোংবু রন-১১৮, এ.এম.সি.এ. থৌবালনা কে.এস.দি.ও.-কিয়ামগৈবু রন-৫০ দা অমসুং

এস.য়ু. শগোলবন্দনা সি.ৱাই.এস.এ. খাঙবোকপু রন-৫৩ দা থোইখি।

**কাং (এল)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসননা শিনবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মেমোরিএল কেন্দ্রৱাইজ লিগ কম নোক আউট অপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র টিম (সি) না ৱাবগাই কেন্দ্র ধুরবরতারাবু পাঞ্জল ১৪-১২ দা থোইখ্রে।

**খোখো (এল)ঃ** অসামগী তিনসুকিয়াদা পাঙথোকখিবা অনিশুবা নোর্থ ইষ্ট জোন জ্নিয়ার খোখো চেম্পিয়নসিপ-নুপা অমসুং নুপীগী টুর্নামেন্টতা চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা নুপাগী টিম অমসুং রন্নরস অপ তারকখ্রবা নুপীমচাগী টিম অমদি ৫৭ শুবা সেনিয়ার নেসনেল খো-খো চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি থৌবালগী খাঙবোক্তা লৈবা বাসু ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অসাম ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট লিটল মাস্তরস ট্রোফি-২০২৫ দা শরুক য়ারুনবা মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা খনগৎলবা চহি ১৪ গী মখাগী ক্রিকেট শান্নরোইশিং ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মনিপুরগী অহানবা মেটচ নাগালেন্দগা থা অসিগী ২১ দা শান্নগনি।